# লাইরিকসু শোয়দনবা, শান্নবসু কায়দনবা মতম শুকমাং মাঙহন্দনা য়াম্না চেকশিন্না ঐহাক হোৎনজরকখি ঃ এল বালেশ্বর সিংহ

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**বোল্লিবোলদা মিৎয়েং অমা**



এল বালেশ্বর সিংহ
(ভেটরান প্লেয়র বোল্লিবোল)



(হান্নগী মখা...)

ইষ্ট জোনগী বগলপুরদা চৎপসিদা বিলাশপুরগী রবিশঙ্করগা ঐখোয়গা ফাইনেল শান্নখি। মদুদা ঐখোয়না ৩-১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন লৌরকখি। লোয়নন্না ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটিগী টিম অনী খনগৎপদা এম য়ুগা রবিশঙ্করগা অনীসি খল্লকখি।

ইষ্ট জোনগী টুর্নামেন্ট হেক লোইবগা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটিগীসু বগলপুরদা অদুম তৌরগনি হায়দুনা মফমদুদা অদুম পাঙথোরকখি।

অহানবা ইষ্ট জোনগী শান্নবা মতমদুদদি ঐখোয় পূন্নমকসি ইশা খিংনা নুংঙাইনা শান্নবা ঙমজখি। নুমিৎ খরনি লৈরকপদগীদি ঐখোয় পূন্নমকসি চোঙ ফনবা তৌবদা ইশাগসি ইরুম লুমথরক্তুনা ফ্রি ওইনা শান্নবা ঙমজখিদে। মতমদুদসু ঐনা কেপ্তেন ওইনা শরুক য়াজখি।

অমরোমদা, মখোয়না পীরিবা চাক-এঙ্গাংশিংদুসু ঐখোয় কয়া হৈনখিদে। মপান্দা য়াম্না চৎলকপা হৱা নুংশিৎ এদজষ্ট তৌবা ৱাৎপগী ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবদা ইহৈ হৈনীংদবা খরসু ঐখোয়দা থোকখি। অদুনা পার্ফোমেন্স ফজনা পীবা শুকঙম ঙমখিদে। অদুনা ওল ইন্দিয়াগীদদি ঐখোয় লৌবা ঙল্লকখিদে।

মপান্দা টিম থারকপগী মতাংসিসু কুমজা ১৯৮৬/৮৭ তগী ইন্টর য়ুনিভর্সিটি থারকপদুনা হৌজিক ফাওবা বোল্লিবোলগী টিমসিদি শুকলেপ লেপ্তুনা থারি।

বগলপুর চৎলুরবা মতুং থংনবা চহীদুদসু ঐখোয়সি গুরুগাসিদাস য়ুনিভর্সিটিদা অমুক চৎখি। মথং মথং চহী অহুমরোমসি শান্নরকপনা বি এ লোইশিল্লবা মতুংদগীদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লাক্তুনা ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা মীং চন্দুনা মাষ্টর তৌবা হৌরে। অহানবা হেক চঙবগা ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱাফমসি অমুক লাক্লে।

হায়রিবা চহীসিদা ঐখোয় ওইনামদগী লালমনি, প্রেমকুমার, মখোয়সু অতোপ্পা দিপার্টমেন্টতা তন্মী। ঐখোয় হান্না শান্নমিন্নরকপশিং অসি পুনশিন্নদুনা এম য়ুগী টিম অমা শেম্লে। চীংঙামখাদগী ইবোচৌবী কৌবা অমসু য়াওই। কুমজা ১৯৮৮-৮৯ গী মতমদা এম য়ুগী ওইবা টিম অমা শেল্লগা ঐখোয়সি প্রেক্টিশ তৌবা হৌরে। মদুগী চহীদুদা টুর্নামেন্ট শিনখিবসি ইম্ফাল কোলেজদনি।

বোল্লিবোলগী ফাইনেলদুদসু ঐখোয়গা ইম্ফাল কোলেজগা শান্নখি। মদুদা এম য়ুনা চেম্পিয়ন লৌরকখি। হায়রিবা কুমজা ১৯৮৮/৮৯ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা হোষ্ট টিম ওইরগা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বোল্লিবোল টুর্নামেন্টসি এম য়ু কাঞ্চিপুরদা পাঙথোকখি। মদুদা কলকটা য়ুনিভর্সিটিগা এম য়ুগা ফাইনেল শান্নখি। মতমদুদসু ঐনা অদুম কেপ্তেন ওইখি।

ফাইনেল মেচতুদা কলকটা য়ুনিভর্সিটি অসি এম য়ুনা ষ্ট্রেটতা থোইখি। মদুদগী ঐখোয়গা কলকতা য়ুনিভর্সিটিগা অনীসি ওল ইন্দিয়াগীদা ক্বালিফাইদ ওইখি।

চহীদুগী ওইনা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অদু কেরলাগী কোট্টায়মদা লৈবা মহাত্মা গান্ধী য়ুনিভর্সিটিদা তৌখি। মতমদুদা ঐখোয় বোল্লিবোলসি ফজনদি শান্নখি। অদুবু ফাইনেল চঙবদি ঙমখিদে।

পার্ফোমেন্স ফজনা শান্নজরবগসু হাইটকী মতাংদা প্রোব্লেম খরা লৈবদগী ঐখোয় ফাইনেল চঙবদি ঙমখিদে। হায়রিবা মতমদুদগী ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজদবা হাইট খেন্নবা খরা লৈবদগী ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদবসি ৱাখলদা অদুম নৈশিন্দুনা লৈখি।

বোল্লিবোল হায়বা মশান্নসি হাইট মান্নবা মশেল শান্নমিন্নহনবা য়ারোইদ্রা? ঐখোয়সি ফজনা শান্নজরগসু ৱাংবা খেন্নরকপা অসিনা য়াম্না কন্টেষ্টতা শান্নরকপা মতমদদি হেক্তা মীনা লাকশিল্লকখি।

অমরোমদা, ওইনামগী বোল্লিবোল টিমসিসু হান্নদগী ফীভম ফগৎলক্তুনা মমৈদদি ষ্টেট লেভেলগী ওইনসু মফম কনবা ঙল্লকখি। কংলৈ মৈরিকখোন্বা নহারোল হায়বা ঐখোয়গী ক্লবসিসু কন্না ফাওগৎলকখি।

ষ্টেটকী বোল্লিবোল ফাইনেলসিদা মণিপুর পুলিস টিমগা ঐখোয় ক্লবকা ফাইনেল ইতৎ তৎতনা শান্নরকখি। হায়রিবা চহী মরি মঙাদু বোল্লিবোলদা পুরা লুপ্তুনা শান্নবা হায়বদুসু ওইখি।

তশেংনা হায়রবদা ঐগী ওইনদি মতমদুদা ফিজিক্সতা মাষ্টর তৌরিবদু এন আই এস তম্বা ওইনা চৎনীংলম্বনি। অদুবু ইন্দোমচানা পাম্বগী মতুং ইন্না লাইরিক্তু মখা তমজখিবনি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৪৮

1. ফুটবোল শান্নবদা মায়োক্লবা শান্নরোয়গী মখোঙদা বোল কাওশিল্লগা মদুদগী চোঙথোরকপা বোল অদু অমুক ফারগা খুদোংচাবা লৌবা অদুবু করি হায়না খঙনবগে?
2. সোভিয়েট লৈঙাক্কী শান্নরোয় অমা কুমজা ১৯৬৮ গী মেক্সিকো ওলেম্পিক্সতা সনাগী মেদল ফংলকপদা কম্যুনিষ্ট লৈবাক্না মঙোন্দা কার অমা খুদোল তৌবদা কার অদুগী নম্বর প্লেটতা ১৭-৩৯ থাদুনা মশীং অদু মহাক্কী কার নম্বর ওইহনখি। কার নম্বর অদুগা মহাক্কী সনাগী মেদল অদুগা করি মরী লৈনবগে?
3. অৱাং নোংপোক্কী শান্নরোয় নুপা অমা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা খেন্ন খেন্নবা চহীদা সনাগী, লুপাগী অমদি সেঞ্জেংগী মেদল ফংখ্রে, মহাক ওলেম্পিক্কীদমক শেম শারি। মহাক কনানো?
4. নিপা অনীনা কন্না হোৎনদুনা গ্রিসতা খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬ তা ওলেম্পিক গেমস অমুক হৌদোকখি। মখোয় অনী অদুগী মমিং পীয়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# রুনিনা ইংলেন্দগী স্কাদতা য়াওবা ঙমখিদ্রে



লন্দন, মে ২৫ :

ৱেনে রুনিনা মথংগী থাদা স্কোটলেন্দ অমদি ফ্রেন্সকা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা ইংলেন্দগী মেম্বর ২৫ না শাবা স্কাদতা য়াওবা ঙমখিদ্রে।

গরেদ সাউথগেটকী টিম অসিদা ৱেনে রুনিবু খনগৎপদা য়াওখিদে। লাক্লিবা জুন ১০ দা গ্লাসগোদা শান্নগদবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র অমসুং জুন ১৩ দা অৱে ফ্রেন্দলি ওইনা ফ্রেন্সকী মায়োক্তা শান্নগদবা মেচতা য়াওররোই। রুনিনা হোম ক্বালিফায়রদা স্কোটলেন্দগা নবেম্বর থাদা শান্নখিবা অদুনা মহাক্কী ইন্টরনেসনলগী অরোইবা মেচ ওইখি।

রুনিবু ইনৌ নৌনা টিমদা খনখিদবা অসিনা মহাক্কী তুংদা লাক্কদবা ইন্টরনেসনলগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা হায়বদু ওইখ্রে।

লাক্লিবা মথং চহীদা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা মহাক য়াওগদ্রা য়াওরোইদ্রা হায়বগী নুংনাংবসু লৈখ্রে।

ইংলেন্দগী টিম অসিদা য়াওরিবা প্লেয়রশিংদি গোলকিপরদা জেক বুটলেন্দ, ফ্রেসর ফোষ্টর, জো হার্ট অমদি টোম হিটননি। দিফেন্দরদা রয়ন বত্রান্দ, গেরি কাহিল, নেথিএল, অরোন ক্রেসৱেল, বেন গিপসন, ফিল জোনস, ক্রিস, জোন ষ্টোন্স, কেরান ত্রিপিয়র, কেলে ৱাক্করনি। মিদফিল্ডরদা দেলে অলি, ইরিক দিয়র, অদাম লাল্লানা, জেসে লিঙ্গার্দ, জেম লিভরমোর, এলেক্স ওক্সলাদ-চম্বরলেন্দ রহিম ষ্টিরলিংনি। ফোরৱার্দতা জরমেইন দেফোর, হেরি কেন, মারকস রাশফোর্দ অমদি জেমি বর্দিননি।



HL-B/3860/11/05-10/06

# মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা অজেক্সপু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা য়ুরোপা লীগকী টাইটল লৌখ্রে



ষ্টোকহোম, মে ২৫ :

মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ুরোপিয়ন লীগ মায় পাকপগী হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লদুনা মখোয়গী হোম সিটিবু নুংঙাইবা মীকুপ খরা পীবা ঙমখ্রে। মখোয়না মায়োক্লখিবা অজেক্স টিমবু ফাইনেলদা ২-০ দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা পাউল পোগবা অমদি হেনরিখ মখিটরায়নবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

পোগবনা মহাক্কী টিমগী ওপনিং গোল ওইনা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপদা চনবা ঙমখিবদা মহাক্কী টিমমেটশিংনা মহাকপু নোংথক্তা ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা হরাউ তয়াম্বা উৎখি।

শান্নখিবা গেম অদু মাঞ্চেষ্টরদা পাঙথোকপা কন্সর্ট অমদা বোমগী এটেক তৌরকপদগী মীওই ২১ শিখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী নীনি শুবা নুমিৎতা শান্নখি অমদি পোগবগী অপোকপা ফাসৌ এনটোইনগী লৈখিদবা নুমিৎ ১২ নি শুবা মতুংদনি।

মখিটরায়ন্না মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপদা কোর্নর অমদগী য়াম্না নকপা রেঞ্জদা কাওশিনখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখিদুনা টিমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মায় পাকখ্রবা য়ুনাইটেদনা বোনস প্রাইজ ওইনা মথংগী সিজনগী চেম্পিয়ন লীগতা শরুক য়ান্নবা মফম অমা কনবা ঙমখ্রে অমদি মসিদা কোচ জোস মোরিনহোনা ইংলেন্দগী খ্বাইদগী চাউবা ক্লব অসিবু ট্রোফি অনী লৌহন্দুনা মহাক্কী অহানবা সিজন অসি লোইশিনখি। য়ুনাইটেদনা ফেব্রুৱারী থাদা ইংলিস লীগসু লৌবা ঙমখিবনি।

য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা পূক্নিংদা নুংঙাইতবা ৱাখল্লোন অমদি পেঞ্জদবা থম্মোয়গী ইরোইনন্না স্বিদেনদা লাকখি। মখোয়না এরিয়ানা গ্রান্দে কন্সর্টতা থোকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থৌদোক অদুদা অৱাবা তাহৌরবা মীওইশিং অমদি লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎপা অমদি অৱাবা ফোঙদোকখি।

মাঙজৌনন্না লেপখিবা মতুং ইন্না মেচ হৌদ্রিঙৈ মিনিট অমা তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা মতুং তিনখিবা মীয়াম্না সেকেন্দ ৬০ অহৌবা খুবাক খুদুনা পূক্নিং থৌগৎপা উৎখিবগা লোয়নন্না য়ুনাইটেদপু পামজবা মীওইশিংনা মাঞ্চেষ্টর মাঞ্চেষ্টর হায়না লাউনরকখি।

টিম অনীগী প্লেয়রশিংনা মপাবোমদা অমুবা আর্ম বেল ফাদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা মেচ অদু শান্নখি। গেম অদুদা অজেক্সকী টিমদা য়াওরিবা নহা ওইরিবা চহী ২১ অমদি মখাগী শান্নরোয় ৬ য়াওদুনা শান্নখি অমদি ক্লব অসিগী চহী ২১ গী মতুংদা অহানবা য়ুরোপিয়ন ফাইনেল চঙবসু ওইখি।

য়ুনাইটেদকী প্লেয়রশিংনা মায়োক্লখিবা এক্সপরিএন্স লৈত্রিবা ওপোনেন্টকীদমক থোইদোকপা শিংনবা অমত্তা তৌদনা লায়না নমহৎখি। য়ুনাইটেদকী খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা প্লেয়র অমা ওইরিবা পোগবানা টিমগী মতিক মথৌনা পুথোক্তুনা শান্নখি।

## ইন্দিয়ানা কিরগিজ রিপব্লিক্কা শান্নগদবা মেচকী স্কাদ লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, মে ২৫ :

ইন্দিয়ন নেসনল টিমনা লাক্লিবা জুন ১৩ দা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ য়ু এ ঈ ২০১৯ গী ক্বালিফাইয়িং মেচতা কিরগিজ রিপব্লিক্কা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিগী মাঙওইনন্না শেম শাবা ওইনা মুম্বাইগী অন্ধেরি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মে ২০ দগী অকনবা ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে।

হায়রিবা মেচ অসিগীদমক নেসনল কোচ ষ্টেফেন কোনষ্টান্টিন্না প্রোবেবল ৩৫ গী লিষ্ট অমা লাউথোকখিবগা লোয়নন্না হৌজিক কেম্প তৌদুনা অকনবা মওংদা শেম শাবগী থবক চথরি। প্রোবেবল লিষ্টতা য়াওখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি গোল কিপরদা গুরপ্রীট সিংহ সন্ধু, সুবত্রা পাওল, দেবজিৎ মজুমদার, অমিরন্দর সিংহ, অলবিনো গোমেজ অমদি বিসাল কাইথ (অন্দর-২২) নি।

দিফেন্দরদা প্রিতম কোটাল, নিশু কুমার (অন্দর-২২), অর্নাব মোন্দাল, সন্দেস ঝিঙ্গান, অনাস ইদাথোদিটা, চীংলেনস্না সিংহ (অন্দর-২২), লালরুথারা (অন্দর-২২), ফুলগানকো কার্দোজো, সুবাসিস বোস (অন্দর-২২), নরায়ন দাস, জেরি লালরিজুআলা (অন্দর-২২) নি।

মিদফিল্ডরদা জেকিচান্দ সিংহ, উদান্তা সিংহ, লালদামমাইৱা রালতে (অন্দর-২২), সৈত্যসেন সিংহ, ইগনেসন লিংদো, রোলিন বোর্জেস, কেভিন লোবো, এম দি রাফিক, ধনপাল গনেস, মিলন সিংহ, ইসাক বানমালশ্বামা, হলিচরন নজরে অমদি বিকাস জয়রুনি। ফোরৱার্দতা সুনিল ছেত্রি, জেজে লালপেখলুৱা, দানিএল লালিপুয়া, রোবিন সিংহ অমদি সী কে বিনিথনি।




# বংলাদেশনা অহানবা ওইনা ও দি আই রেঙ্কিংদা ৬শুবদা লৈখ্রে



দুবাই, মে ২৫ :

বংলাদেশনা দুব্লিন্দা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মরিশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ন্যুজিলেন্দবু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদগী আই সী সীনা হন্দক্তা নৌনা থোকখিবা ও দি আই টিম রেঙ্কিংদা অহানবা ওইনা তরুকশুবা মফমদা লৈখিদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

আই সী সী ও দি আই টিম রেঙ্কিং অদুদা সাউথ অফ্রিকানা অপূনবা পোইন্ট ১২২ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ১১৮ ফংদুনা অনীশুবা মফম কল্লি। ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১১৭ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়নন্না ন্যুজিলেন্দনা পোইন্ট ১১৪ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

ইংলেন্দনা পোইন্ট ১১১ ফংদুনা মঙাশুবা, বংলাদেশনা পোইন্ট ৯৩ ফংদুনা তরুকশুবা, শ্রীলঙ্কানা পোইন্ট ৯৩ ফংলগা তরেৎশুবা, পাকিস্তান্না পোইন্ট ৮৮ ফংলগা নিপানশুবা, ৱেষ্ট ইন্দিজনা পোইন্ট ৭৯ ফংলগা মাপনশুবা, আফগানিষ্টান্না পোইন্ট ৫২ ফংদুনা তরাশুবা, জিম্বাবৱেনা পোইন্ট ৪৬ ফংলগা তরামাথোইশুবা অমদি আয়রলেন্দনা পোইন্ট ৪১ ফংলগা ১২ শুবা মফমদা লৈখি।

## Schedule of the ICC Champions Trophy 2017

**Group A: Australia, England, New Zealand, Bangladesh**
**Group B: India, South Africa, Sri Lanka, Pakistan**
**FIXTURES**

**Date: June 1**
Match: England vs Bangladesh
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Kennington Oval, London
**Date: June 2**
Match: Australia vs New Zealand
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Edgbaston, Birmingham
**Date: June 3**
Match: Sri Lanka vs South Africa
Time: 15:00 hrs IST
Venue:Kennington Oval, London
**Date: June 4**
Match: India vs Pakistan
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Edgbaston, Birmingham
**Date: June 5**
Match: Australia vs Bangladesh – (D/N)
Time: 18:30 hrs IST
Venue: Kennington Oval, London
**Date: June 6**
Match: England vs New Zealand
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Sophia Gardens, Caridff
**Date: June 7**
Match: Pakistan vs South Africa (D/N)
Time: 18:30 hrs IST
Venue: Edgbaston, Birmingham
**Date: June 8**
Match: India vs Sri Lanka
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Kennington Oval, London
**Date: June 9**
Match: New Zealand vs Bangladesh
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Sophia Gardens, Cardiff
**Date: June 10**
Match: England vs Australia
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Edgbaston, Birmingham
**Date: June 11**
Match: India vs South Africa
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Kennington Oval, London
**Date: June 12**
Match: Sri Lanka vs Pakistan
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Sophia Gardens, Cardiff
**Date: June 14**
Match: 1st Semi-Final, TBD vs TBD (A1 vs B2)
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Sophia Gardens, Cardiff
**Date: June 15**
Match: 2nd Semi-Final, TBD vs TBD (A2 vs B1)
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Edgbaston, Birmingham
**Date: June 18**
Match: Final, TBD vs TBD (Reserve Day)
Time: 15:00 hrs IST
Venue: Kennington Oval, London .



HL-B/3847/3/5-4/6